ৱারীমচা

# চণ্ডালগী মচা

সুৱ্রাম

চাউখৎপগী মঙাল তাদ্রিবা খুঙ্গংনি। অমুক্তসু চাউখৎলক্তনবা শিন্দুনা য়ৈথরিবনি। মঙাল ফংলবা, শাগৈ অচৌবনি খল্লিবা কাঙবুগী নমথবগী থৌশলনা চাক্তুনা অনেম-অৱাং খায়দবা অতোপ্পা ধর্মদা চঙনখিবগী ৱাখল্লোন পুনরকই। পাঙ্গলদি লৈজদবা ধর্মবুদি নুংশিজবা কাঙবু অমনা মখল মখা পান্থে কয়া শীজিন্নরকই।

রবি রবিদাসকী মপা শুভ রবিদাসকী হাক্তক্কী ৱারীনি। মহাক খুলদুগী জমিদারনি। অতোনবা খুলদা পোল্লবসু ধর্মচেনবা, ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা মীশকনি। মহাক্লা শ্রী রাধাগোবিন্দগী আখড়া অমা কৎচরগা পূজারী ওইবিনবা শঙ্কর শর্মাবু পুরকখি। খুলদুদা স্কুল অমসু লিংখৎখি। মদুগী ওঝাসু শঙ্করনা ওইখি।

শঙ্কর তমজনিঙাই ওইবা ব্রাহ্মণ অমনি। নোংমগী য়াহৌ ঙনবা, কোক-লূ তুমদুনা ইরুজরগা কাংশি য়ৈদুনা অয়ূক্কী লাই য়াকায়বা কায়দনবা হোৎনৈ। থৌরাণী সাবিত্রীসু মপুরোইবদগী ঙন্না হৌদুনা ৱাইশিৎ লমশেং, ষষ্ঠী নৈরগা চাইবা কায়দনবা পাঙথোকই। লাইদা কৎননবা লৈ-শু হেকই।

খুঙ্গংগী মৌশিংনা নীতিগী লাইদা হৈরুক কারকই। মদু মফম অমদা পুন্না থমহল্লগা থৌরাণীনা তুলসীমনা থাদবা ঈশিং হৈথরগা চামথোক্তুনা লাইমাঙদা পুশিল্লি। পৈশাশিং অদুনা তুলসীমনা হাইদোল্লগা লাইনুংদা য়ৌই। মখোয়না লাইদা খুরুম্বদু পূজারীনা হৌগৎলো হায়দ্রিবা মখৈ হৌগৎপা য়ারমদে। অমমমতদা ঈশ্বরগী আশির্বাণী ওইনা হায়, "নহাক্কী অফবা মতম লাক্লে। ঈশ্বরগী নুংশি মীৎয়েং চঙলে। পূক্লীং শেংনা ঈশ্বরগী মফমদা তত্তনা কৎচরবদি মথঙগী মপোক্তা অতোনবা শাগৈদা অমুক হঞ্জিন্না পোক্তদুনা অচৌবা শাগৈদা পোল্লগনি। লাইরক্কনু, নখোয়বু মীয়াম্মা অতোনবনি, অমাঙবনি হায়দুনা শোক্ল-শম্নদনা তৌবসি কোক্লনবা ঐনা নীতি নোংমগী কায়দনা নখোয়গী য়াইফনবগীদমক্তা ঈশ্বরগী খুয়াদা থৌনীবিরিবনি।' অসি হায়রগা হৌগৎহল্লি।

খোইথুল্লবা, পূক্লীং হুবা ৱাহৈগী লাংদা ইকুই কুইদনা রবিদাসশিংগী হুমাংমলখোপ্পা বামোন ইমুংগী কৈদা চঙখি। নিংথৌগুম্না পাল্লকই। খুঙ্গং পূম্নমক বামোনগী ৱায়োত ওইখি। শুভ রবিদাসসু মসিদগী চিংখহৌদে।

বামোননা অতোনবা শাগৈবু হন্থনা য়েংবদু অতাক অফোঙনরকখি। শঙ্করনা মচেগী মচা গণেশপু স্কুলগী ওঝা ওইনবা কৌরকখি। মমাক গণেশতা মখোয়গী মচানুপী লক্ষ্মীরাণীবু পীবদা মতিকচাবনি খন্দুনা শেম্বীগে হায়দুনা পুরকপনি।

> ৱারীমচাসি অইবগী খনগৎলবা
> ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি

লক্ষ্মীরাণী অমসুং রবি খুঙ্গংগী স্কুলদুদা মহৈ তম্বা হৌই। থম্মোয় চাউবা, দান দক্ষিনা অমদি ঈশ্বরনা ভক্তি লৈবা মপাগী মচা ওইবনা রবি মবুদ্ধি মরৌশিং চঙখোল্লি। হোৎনবসু কল্লি। অহল-লমন ওঝানা হায়বসু ইল্লি। নোংমদি পাড়া ফাদবগী গণেশনা রবিবু লক্ষ্মীগী মনা লৈহনখি। ঈকাইখিবনা লক্ষ্মীদো স্কুলদগী কপ্ল-কপ্লদুনা ময়ূমদা হল্লকখি। মচাগী কপ্পগী মরম তাবগা থৌরাণী সাবিত্রী মহুপুবী লিনগুম্বা খু-খু কামখি। মচাবু থুনা ইরুহনখি। অদুগা শূমাঙ মতোন দা লেপ্পদুনা রবিবু লাক্লা লাক্লা কৌরকখি। গণেশপুসু মপা-মপু চিংথদুনা চৈবিখি।

রবি ওন্থোক্লা কিনা কিনা লাকখিবনি। খনবগা তৌবগা, য়ৌফাৎত্রিঙৈনা শিনি-নানি খঙদবমখৈ পায়রম্বা চৈতুপ্তুনা লংল-লংলদুনা ফুরম্মী। মচিন্দসু ঙাংবা লেপ্তে,- "চণ্ডালগী মচা! খোঙউপ ফোৎপা, শউন খোকপা নখূৎ অদুনা ইচাদসু খূৎথাবা, নখূৎ পাপীদো প্রোক-প্রোক হেক থুদেল্লবদি পেনগনি নঙ।"

রবিগী মমা-মপাসু কুম্মৈদু য়েংঙি। ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাংবা ঙমদে। অতোপ্পগা থোক্লম্মবদি মচাগীদমক পাম্থোম তিংলগদবনি। অদুবু-।

স্কুলগী রিজল্ট থোক্লগনি। মতম ওইরে, রিজল্ট হায়দোক্লে। লক্ষ্মীনা মকোক, রবিনা মথংনি। নম্বর কয়া খেন্নবনো পাউ লৌনদে। লক্ষ্মীনা ওঝা গণেশকী খূৎশেমনি হায়না খনখি। ওঝা গণেশসু অলানবদি তৌখিদে। রবিনা ঙল্লবসু পাউখুম থাদোক্লমদুনা লক্ষ্মীবু লন্বী পীখিবনি। লক্ষ্মীগী খঙদবা তাকপীখিবনি। থৌরাণী সামিত্রীগী অপেনবা হায়বদু হেক থোকই। লৈকায় তাননবা ওনশিন-ওনশিন্দুনা ঙাংঙি,- "চণ্ডালগী মচানবু বামোনদগী হেনবা হৌনব্রা?"

মমাগী চোংলম চাদবা থৌওং মতৌদা লক্ষ্মীনা রবিগীদমক পূক্লীংদা নুংঙাইখিদে। ওঝা গণেশপুসু ৱারৌখি। থম্মোয়দা রবিগীদমক মীনুংশি অমা ফাওরকখি। মীনুংশি অদু ঈহুলগী মতুংইন্না নুংশিবগী তীল ওন্দুনা থম্মোয়দা চিক্লখি।

অরাপ্পা খুল অমদা মখোয়নি মখা লাইরিক তমথখি। করিগুম্বা মতমদা লমশাংদু পুন্না চৎমিন্নখি পুন্না হনমিন্নরকখি। রবিনা অতোনবনি কিজবনা নোংমতসু থম্মোয়গী ৱাফম লক্ষ্মীগী মফমদা ফোঙবা ঙমখিদে। লক্ষ্মীনদি জাতি বর্ণ খেন্নহনবসি মীওইবননি হায়বা ৱারী মরক মরক্তা শাখি। রবিগীদি রিজল্ট ফজহনবনা অহানবা লাইনীং ওইখি।

রবি এস সি কোটাদা দিল্লীদা ডাক্তর তমথখ্রে। মহাক অদুদসু ফজনা মায় পাল্লকখি। অসোমদা মমা-মপানা লক্ষ্মীগী লুহোংনবা থৌরাং হৌরকখি। লক্ষ্মীনা মাবু গণেশতা পীরগনি তাবদা অথেংবা অহিং অমদা লোন্না রবিখোয়দা চেল্লম্মী। মতৌদুদা পাখৎলবা অহল শুভ রবিদাসনা থেম্মদুনা লক্ষ্মীবু থোঙ্গাল ফাওবা থিনবিখি। গণেশনা মদুগী নাশোল ফংখিবদগী মখোয়নী লুহোংগনি লেপ্পবদু কায়খি। অতোপ্পা নুপী অমগা গণেশকা লুহোংখি। অফবা মফম কয়াদগী লক্ষ্মীগী সম্বন্ধ লাক্লবসু গণেশনা কাতু-কারণ তমশিন্দুনা লুহোংবা থুগাইরম্মী। শকনে-চুদনে, লাইরিকনে-লাইশুনে, অওং-অউননে করিমতা ৱাৎতবী মচানুপীনা থাজ-য়োনজা ঙমদদুনা মতম শাংনা লৈশিল্লকপদুনা মমা ওইবীগী থম্মোয় লাইমন ওইখ্রে। থৌরাণী সামিত্রী কুম লায়নানা কুইনা নারক্লে। য়াম্ফক তারক্লে। মফম কয়াদা লায়েংলুবদা কান্নবা খঙখিদ্রে।

রবি ডাক্তর ওইদুনা অচৌবা মফমগী হোস্পিটাল কয়াদা পোষ্টিং কোয়রুরগা ময়ূমদা ছুটি থোরক্লম্মী। মহাকসু থৌরাণী ঙমদে হায়বগী পাউ ফংখি। মাবু য়েংহন্নীংবগী পাউসু ফংলম্মী। য়েংনীংলবসু রবি হেক্লা য়েংবা চৎখিদে, হীদাক ওইনা পীখি। মহাক্লা পীবা হীদাক্তুনা খরা কান্নবা ফংখি। কৌরবসু লাইপিদে হায়বগী থৌরাণীনা শোল্লি, - "ঐনা মাবু অঙাং ওইরিঙৈদা ফুখি- চৈখিবদুগী হৌজিক ফাওবা শাউ নীংলি হায়ব্রা? ডাক্তরনবু কৌবদা লাকপিদ্রিবসিবু চাউরিবা হায়বদুরা?" শিরমদাই য়ৌরবদা থৌরাণীদু তিংথোল্লকখি। ৱাহৈদো মীনা তম্লুবদগী তারদুনা রবি য়াম্না থুনমক বামোন ময়ূমদা চৎখি। চঙশিনবদি ঙমদদুনা থৌরাণীবু মপানদা পুথোরকউ হায়রদুনা মপান্দগী হন্না হন্না লাউরকখি। ডাক্তরবু ইমুংদা চঙলকউ হায়বদগী মহাক হঙ্গৌই হঙ্গৌইনা থৌরাণীগী কাদা চঙলম্মী। মমাগী সেবা তৌরম্বী লক্ষ্মীনা রবিবু হায়রপ য়েংলম্মগা মশাগী কাদা চঙখিগদবগী তৌই। রবিনা মাবু খাল্লগা নর্স অমনা তৌগদবা থবক পূম্নমক তাক্তুনা শীজিন্নরম্মী। থৌরানীনা চৈ লংঙ-লংঙদুনা রবিবু ফুখিবদু নীংশিংলক্তুনা হায়রকই,- "ডাক্তরদি মাংদবনিদা।"

থৌরানীগী থায়নগী ৱাখল্লোন হোংলম্বসিদা রবি ইঙক ঙকখি। মশামক চঙশিন্দুনা মথৌ তাবা থবক পূম্নমক শৎ-শৎ পাঙথোকখি।

"মাইবা, ডাক্তরনা শোকপদা অনাবগী থম্মোয় চাউখৎপা, মখোয়না পায়দুনা পীবা হীদাকনা মগুণ হেন্না শোইদবনি। ঐগী ইশা নুংঙাইরে।" অসি হায়রদুনা থৌরাণীনা কোম্না য়াওন-য়াতা হৌরকই।

"তুলসী মতোন অহুমতংগা ঈশিং তেঙ্গোৎ অমগা পুরকহল্লু।" রবিনা থৌদাদুনা পুরকহল্লি। ময়াম্নদি ডাক্তরনা শোন্দুনা পিথক্কদৌবোই খন্নখি। রবিনা মদু লৌরগা অহানবদা মশাবু তুলসী মচুম চাইথোকই। মথংদা অনাবী থৌরাণীবু সু খিকতোল্লগা মথং-মথং ময়াম্বুসু খিকতোকই। ডাক্তরগী মতৌদুদা ময়াম অমগা-অমগা য়েংনৈ।

"অসি ওইরবদি শেংঙে, ফরেদনা।" ডাক্তরনা নোক্লা নোক্লা হায়রকই।

মতৌদুদা অনাবী থৌরাণীনা নোক্লদুনা হায়রকই,-"চণ্ডালগী মচাসিদি।" ৱাহৈসি হায়দোক্লুরগা ৱাখল লাক্তুনা থৌরাণীগী মায়থোং মকশিনখি। অদুবু হন্দক্কী ৱাহৈসিনা ডাক্তর রবিবু য়াম্না পেলহনখি।

নৈন-ৱারেং

# কবি মালার্মে

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ



হৌজিক্কী মতমগী কবিতা মশক খঙগে হায়রবদি খঙদবা য়াদ্রবা কবি অহুমখক লৈরি– নোংচুপকী আইরিশ কবি উলিয়ম বটলার য়েট্স (নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা), ইটালীগী ইংরাজী কবি এজরা পাউণ্ড (অথোইবা লাইরিক– পিসান কান্টোজ) অমসুং নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা ইংরাজী কবি টি, এস, এলিয়ট (অথোইবা লাইরিক্তি–ৱেষ্ট ল্যান্দ অমসুং ফোর ক্বার্টেটস)। ভারতকী বিশ্ব কবি রবীন্দ্রনাথসু গীতাঞ্জলিগীদমক হাপচিনবা য়াই। খরা অমুক ঙনখৎপা তারগনা লৈরি-- ফরাসী কবি বোদলেয়ারদগী হৌরগা কবি ষ্টিফেন মালার্মে, মহাক্কী মরুপ ভেরলেইন অমসুং সেবক পোল ভেরেলী। লৈববুদি অম'নিসু লৈরি-- কবি মেটরলিঙ্ক জর্মন কবি রিলকেনচিংবা। মখোয়গী শৈরেংশিং খরা নৈনদ্রবদি মতমগী শৈরেং শকখঙবদা ৱানা থোক্কনি।

ফরাসী কবি মালার্মে (১৮৪২-১৮৯৮) ফারাসীগী কাব্যজগৎকী কবি গুরুনি। কাব্যগী জগত্তা প্রতীকবাদী আন্দোলন (সিমবোলিষ্ট মুভমেন্ট), হৌদোক্তুনা ১৮শুবা শতাব্দীগী ফরাসী রিভোল্যুসনগুম্না অচৌবা বিপ্লব অমা পুশিল্লক্লম্বনি। লাটিন জাতিগী শেংলবা নুংশা মঙানগী জগত্তা জর্মন অমসুং স্লাভ জাতিগী লৈচীন নোংফাইগী মশক হাপচিল্লম্বা কবিনি। জগৎ অসিগী ৱাংমদা লৈরিবা জগৎ অমগী মঙাল মশক কয়া পুশিল্লম্বনি। বুদ্ধিগা বুদ্ধিগী ৱাংমগা অনীগী থোং শারম্বা প্রতীকবাদী আন্দোলননি। হৌবগীদি বোদলেয়ারগী চাকথেল্লবা মৈশাগী পঙথহনবা শৈরেংগী মশক্তগীনি। মসিদা হাপচিল্লি রাইমবোডকী মৈহৌরবা তমথীবগী মশক কাব্যগী।

মালার্মেগী কবিতা খঙবা অরায়বা ওইদে। অয়াম্বনা হায়নৈ– য়াম্নমক চমন্নহল্লি (ইংরাজী ৱাহৈদা –obscure)। ফাগীগুম্বা ৱারী অমসু লৈ। ছাত্র অমনা ক্লাসতা নোট তৌরিঙৈদা মালার্মেনা হায়খি-- নহাক্কী অদু পীরকউ। চমন্নবা খরগা হাপচিনগে। হেন্না ফজরবা ৱারী অমগসু লৈরি। খরা লুই হায়না খনবা শৈরেং অমা পাথোকপদা অতাবা ভাবোক অমনা খুমখি-- লোয়নমক ভাব তারে। খুল্লকই কবিনা– ঐহাক্লা চহী ৩০ চঙনা খনবদা ভাব তাবা ঙমদ্রবা মতাং অসিবু চহী ২০ দা শুরিবা নহাক্লা মীৎকূপ খরদা খঙবা। ওন্থোকনা প্রতিভা (জিনিয়স) লৈরেদা নহাকসি। ফাওরবা ফারাসী লাইয়েকপা দেগাসনা নোংমা মালার্মেদা হায়খি। ঐঙোন্দা ভাবতি ফনা মরাঙ কায়না লৈরে। শৈরেংদি থোরকউ য়াদে। খুল্লকই কবিনা– কবিতাদি ৱাখলনা ইগদবা নত্তে। ৱাহৈনা ইগদবনি। অসিগুম্বা ৱাহৈগী শক্লোন কয়া পুথোকপসিনি মালার্মেগী পুন্সি চুপ্পগী সাধনা। থোকখি অশেংবা কবিতা (পিত্তর পোয়েত্রি)গী আন্দোলন। শন্দোকখি ইউরোপ শীনবা থুংনা।

মালার্মেগী কবিতাদা পোৎচং অহুম মপূং ওইনা য়াওরি। মখোয়দুদি-- চিত্রকলাগী জগৎকী ইমপ্রেসননিজম, কাব্যগী অনৌবা আন্দোলন সিম্বোলিজম অমসুং অতোপ্পা অমগা রহস্যবাদ (মিষ্টিসিজম)। যুগ অমমমগী মমি অসি শৈরেং, অয়েকপা লাই অমসুং ঈশৈ জগোয়দা তোঙান তোঙান্না মমি তাই। অসিনা ১৮শুবা শতাব্দীগী অরোইবা শরুক্তা থোরকই ইমপ্রেসনিজমগী চিত্রকার ফ্রান্সতা মোনে, দেগাস অসিনচিংবা। অসিগুম্বা লাই খূৎয়েক্তা লৈরি– অশেংবা মঙাল অমসুং তরু-তরুবা মশক। কূপশিনবা লাই খূৎয়েক্কী মহুত্তা পৌরপ তৌনা মফম খরদা থিনদুনা তাক্লগা অপূনবা মশক ঈঙ্গিৎনা তাকপনি। খূত্তাশিংদুদি চপ চাবা তাই। ঈচেনগী মশক লৌবা ঙাইহাক্কী মশক অমতং উৎপনা ইমপ্রেসনিজমগী মপূং ওইবা টেকনিকনি। লন্নাইগী তোপ-তোপ্পা মীৎয়েংনি। মচুগী মঙালগী জগোয়নি। মসিদি হোংফদে হায়বা বুদ্ধিগী পোৎলুম থমদে। পূম্নমক শেংই অমসুং লংই।

> ৱারেং অসি অইবগী ১৯৯৮ দা ফোঙখিবা "হৌজিক্কী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি" লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি

অসিগুম্বা টেকনিক শীজিন্নদনা কবিনা পুথোরকই মহাক্কী তোপ তোপ্পা সিম্বোলিষ্ট শৈরেং। মূর্ত্তিগী মচেৎ মচেৎ থোকহল্লি। শম্নহন্দে। মনুংগী লাংদাইফম ফোঙদোক্তে। অদুবু তাইশিন্নহল্লি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা অপূনবা মূর্ত্তি অমা ফোঙদোক্লবা। মূর্ত্তিতমক চোংথোকহল্লি। চাংদম্নবদি য়াওদে, অপাবদা চমন্নহল্লি। অর্থ থিহল্লি-- প্রমাণগী মথংদা প্রমাণগী মূর্ত্তিশিংদা। কবি মশানসু হায়জৈ– পোৎশক অমবু মমিং থোনবা অসিমক শৈরেংগী ফজবগী অয়াম্বা শরুক্তি মাঙহল্লবনি। অসিনা ময়ামদা শীংনৈ– করি হায়রিবনো পুথোকউ। ঐহাক্তি হায়দোক্লরোই। শৈরেংগী মথৌ হায়ববু ঈঙ্গিৎনা খঙহনবতনি (ইংরাজী ৱাহৈদা ইভোকেসন)। মসিদা অমুক চঙশিল্লকই বুদ্ধিগী ৱাংমগী জগৎ অমগী পাউদম। গ্রীক দার্শনিক প্লেটোনা হায়রম্বা– পৃথিবীগী ৱাংমদা ফজবগী নৎত্রগা অফবগী জগৎ অমা লৈরি। মদুগী য়ৌফাত্তবা মমিদু জগৎ অসিদা মপূং ফাদনা তাবনি হায়বসি কবি অসিনা থাজৈ। অসিনা লৈরি মঙোন্দা মতম পূম্বদা-- দি ইটরনেল অমসুং দি এবজোল্যুট। রহস্যবাদকী মওংনি। অদুবু লাইদা থাজবা ঙমখিদ্রবা কবিদদি ঈশ্বরগী মশক্তি নত্তে। ঈশ্বরগী লীলাদা শান্নজবসু নত্তে। অদুবু লৈরি অমদি পূম্নমক্কী ৱাংমদা। মহাক্কী মমিনি তারিবসি জগত্তা। অসিনা কবিনা তোয়না লাউখি-- হে শংবান্নবা, হে অরোই অখম নাইদ্রবা, হে মপূং ফারবা। ধর্ম্মগী খোল্লাউ নত্তে। প্রার্থনা নত্তে। মুক্তিগী ঈঙ্গিৎ তাকপনি। মঙালগী লমদা খোঙদানবা হোৎনবনি। কবি মশামকসু লমদম অসিগা শম্নবনি। শম্নবদা নৎতনা মতম খরদি লৈরুবনি।

হিন্দুশিংনা থাজনরি– ৱাহৈদগী জগৎ অসি শেমলকপনি। বাইবলদসু হায়রি– হৌরকপদদি লৈরমই ৱাহৈ (লোগোস)। মালার্মেনা পুথোরল্লিবসু ৱাহৈনি। ৱাহৈগী শক্লোন কয়ানি। অর্থদি নত্তে। ঋষিশিংনা সত্যবু উই– অসিনা ওইরকই কবি। মালার্মেসু যোগীগী মশক্লি। মহাক্লা ৱাহৈবু উখি। অদুগা ঈশৈসু তাখি। ১৯শুবা শতাব্দীগী ক্লাসিকেল শৈহেকপা ভাগনারগী অর্থ চেন্দবা, অর্থদি পোকহনবা খৃষ্ট অমসুং বুদ্ধগী পুনশিনবা শৈশক্লা কবিবু পোথাহনখিদে। হায়দোকপা ঙমদবা ৱাহৈদি য়াওদবা সুরগী মশক্লা কবিবু ঙাওহনখি। খনজখি– ৱাহৈ শীজিন্নবা তাবা শৈরেংদা ক্লাসিকেল সঙ্গীতকী (থোইদোক্লসু ভাগনারগী) ঙাওহনবগী শক্তি অসিবু কমদৌনা হাপকদগে? অসিনা থোরকই অর্থ ফোঙদোকপা বুদ্ধিগী ওইবা ৱারেং (রিপোর্টাজ)গী ৱাংমদা ঈঙ্গিৎ অমা মতৌবা কাব্যগী শক্তম– শৈরেংগী মশক নৎত্রগা ৱারেং শৈরেংগী শকফম। অসিনা কবিনা হায়জখি– শৈরেং ফোঙদোক্কদবা অদুদি ৱারেংদা ইরবসু শৈরেংগীদমক লাংতক্লে। কাব্যগী মথৌ করিনো? খুমখি কবি ভেরলেইনা– ঈশৈদগী কাব্যগী ফংফম থোকপা দাবী তৌবা অমসুং ফংবা। অসিনা কবিগী শৈরেংদি শকফম লৌরকই– সঙ্গীতকী লেপ্তুবা তপথদবা মশক্কী। তশেংবদি ৱাফম অসি মালার্মেমক্লা হৌদোকপদি নত্তে। হৌরক্লবনি বোদলেয়ারদগী। মহাক্কী মরুপ কবি ভেরলেইনগী ৱাহৈদা–পূম্নমক্কী মথক্তা ঈশৈ মতম পূম্বগী (Music for ever above all things - Verlaine)। অদুবু কবিগী ঈশৈগী হৌফমদি কদায়দগীনো? জগৎ অসিদগী নত্তে। ৱাখলদগী নত্তে। ৱাখলগী ৱাংমগী লমদমদগী অচীকপদগী। অসিনা মালার্মেবু খঙহনখি অয়াম্বনা– অচীকপগী ঈশৈ শকপা (ম্যুজিসিয়ান ওফ সাইলেন্স)। পূম্নমক্কী হৌফম অচীকপনি। চুম্নগী তুমিন লৈবা নত্তে। *মথং মথং...*

হন্দোকপা

# হৌন-খঙদবা

হিন্দীদা ইবা- ভীষ্ম সাহনী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **ডা. শিবানন্দ য়ুম্নাম**

নুমিৎ হুমনি-মরিনি থিবা য়াবা থিরবা তুংদা বাবু রামগোপালনা মাগী য়ূমগী মীনাই 'মা পুদুনা লাকপদা ইশৌ লাংগনবী মাগী নুপীগী অশাওবা ঈংথরমদে, হান্নদগী কনবু কনখৎলকই। ফল্লমবদগী ফুক হৌগৎলগা মহাক্লা মীনাইদুবু কোক্তগী খোঙফাও চাগদবগী মতৌগুম য়েংলগা মমায়দু ফেৎ লৈথোকখি অদুগা মচিন্দু কবোক-পোকপা হৌরকখি। 'কদায়দগী হংলাই মানবা' মা হেক খুন্দুনা পুরক্লিবনোনে? থবক ইনখাং নোমহনবদি লাইরদনা, লৈকায় মমাঙদা মায়সি থম্ফম লৈরোইদৌরি?"

শাওগৎলিবা মাগী নুপীবু ঈংথনবা রামগোপালনা পাউখুম পীরকখি, 'পুরক্লিবসিগী থাগী তোলোপ কয়ানো খঙলবরা? শুপ্পতগী লুপা তরানিথোইনি। হৌজিক্কী মতমদবু অসুক হোংবা মীনাইবু কদায়দগী ফংদোইনো?'

'অদু ওইরগদি থবক পূম্বা মঙোন্দা তৌহনবা তারেদনা,' মাগী নুপীনা হায়রকখি।

'অদু-অদা ঐ খঙদে। মীনৌনি, খুঙ্গংদগী ঙরাংতা লাকপনি।'

রামগোপালগী নুপীদু পিশুমদি শুক্লি-অদু ওইরগসু য়ূমগী কুপনোমদি মীনাইদুদা তাক-তাক্তুনা শুহনবা হৌরে। অনৌবা'মা অমুক থিবা ফংদ্রি ফাওবদি অদুক লাক্লবা হায়বদুনি অদুগা কোক হেক তান্থোকখ্রবা লোইরে হায়দুনা খল্লম্মী।

অয়ূক'মা রামগোপালদু মাগী কাদা লৈরিঙৈদনি, মাগী নুপীনা লময়াইদা লেপ্পগা মীনাইদু কৌরগা চৈরম্মী– 'নঙগী নমিংদুবু 'হেতু' হায়বা নৎত্রা, লৈফম্না শিমলাগী মনাক্তা লৈবা খুঙ্গংদগী। নশকনেনা ওন্থোক্লবু থিখ্রেনে, ননাতোন হায়রে উতুপমুক চাউরদনা, ৱাংবনা হুইমুক্তা ৱাংলগা নকোক্লা ইচাউ-চাউরদনা, ঐদি অশেং-অশেংবা হেক্তা হায়বনি। শাউনিংলমগনিনে? খূদোম্বীনা মমিৎতা থিল্লগা অকনবা খোন্দা হায়খি– ননাদু শেংদোল্লগা তাও, য়ুমসিদা হুরান-চিন্থিগা তৌরবা, নপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈদৌরিবা খঙলেদনা।'

রামগোপালগী নুপীনা মাগী য়ূমদা থল্লগা মীনাই'মতবু খক-শীংথানীংদে অদুনা মতম খরা লৈরল্লগা চৎখিবনা অয়াম্বনি। মীওৎ-মীনৈ, ৱাঙাং-শাঙাং লুজদবদা মাগুম্বা অনী শুরমগনি থাজদে। কনাবুসু মানা উশিৎপা লৈরমদে। মীনাইদি মীনাই ওইনা লৈগদবনি, মখোয়দা মীনুংশি উৎলুবা য়াবা নত্তে। থবক'মা তৌবদা লাউবগা খোংবগা, থৌদাবগনা মাগী মথৌনি। মানা উৎলিবা হৌন-খঙদবগী মতৌ মীনাই-খূদিংমক্তনি। য়ূমদুদা মাগী থৌদা য়াওদনা থবক'মত্তা পাঙবা য়ারমদে। মাগী মপুরোইবা ফাও মাগী পুঙলোন্দা জগোয় শাবা তারম্মী। মরম অসিনা মতৈ-মনাও অনীদু ঙৈহাক লৈতনা ঙংনরম্মী। মপুরোইবনা মাবু থিনা-থিনা চৈরিবগী মতিক, মপুরোইবদা 'মুক ওনশিন্দুনা চিক্কদবগী ওনশিল্লি। ইতৎ-তৎতনা মপুরোইবদা ৱাকৎলি– 'নঙনা পুরক্লিবা মীনাইসি মরীন চুমদে। তৌ হায়বনা তৌদে, তৌগনুকো হায়বনা হেক্তা তৌই। অদুনা মানা নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ 'মা তাবা ফাওবা কূপশেন শেন্নে।

মপুরোইবনা ফল্লিঙৈদা মনাক্তা চঙশিল্লগা মানা মীনাইনা পোৎ-চৈগী শীজিন্নবগী চাং শঙ্গোম-চিনিগী, চাক্কী-ইঞ্জাংগী, ঘী-থাউগী করম্না শীজিন্নে কূপ্পা তম্মী। য়ূমগী মীনাইনা মপুনা কূপশেনমক হেক শেন্নরক্লবদি খরদি মাঙহন-তাকহনবা মশানা তাবনি। ওইদ-পাদবা, অরানবা ঙাক্তা পঙহায় হায়জিন্দুনা মাগী নুপীনা মাগী নাকোং-ৱায়চিনহনবগী পাড়া ফাবা হৌরক্লে রামগোপালদু।

শক-চু থিজরবসু মীনাই হেতুদু ইমুংদুদা শিৎলিবা নুংশিৎতু চপ চানা খঙবা হৌরক্লে। য়ূমদা লৈন-লৈনা য়ূমগী কূপনোম ময়াম'মা শুরিঙৈদা থা অহুম হৌখ্রে। ঙৈহাক্তং ফাওবা পোথাবা শংলমদে। ৱাবনসু তপ তাই। পাঙ্গলসু ময়েং তাশিল্লক্লে। খুঙ্গংদগী লাক্লগা হৌজিক্তি মঙোন্দা সহরগী চৎনবী পূম্বা খঙবা ঙল্লক্লে। থবক্লা পল্লোন কোয়বমখৈ নোল্লগা, খূৎশুমন্না হৈক্রুমনাদা পীবিবা অদুগীসু মথক্তা অমুকসু তৌবিমল খঙদবগী মীচৈ কয়া খাঙবদা ৱাশিল্লক্লে মীনাই হেতুদু।

রামগোপালনা মসিমদি চপ চানা খঙই মদুদি-ইচু থোক্তবী, হৌন-লোনচৎ খঙদবী, অখুবা ৱাখলতনা মতম চুপ্পদা পুকচেল পিক্লা হিংলিবী, মাগী নুপীগী শেমদোকপা য়ারোইদবা অচাউরম কাবগী লায়নাসি কৈদৌনুংদসু লায়েংবা ঙল্লোই মসিদি মতম্না পুরকপা অহোংবনা শোয়দনা ফজরক্কনি হায়বসিনি। মখোয় অনীগী পীক্লিবা মচাদু চহী মরি হায়রক্লে। মচাদু চাকউম্বগী মতম য়ৌশিল্লক্তুনা শেম-শাবা হৌরক্লে। য়ূম-কৈ, লুনা-নান্না শেংদোকহন্দুনা থৌরাং তৌবা হৌরক্লে।

চাকউম্বগী নুমিৎকী অয়ূক্লি। ঈশৈ-নোংমাই হৌরকপা, মী তিনখৎলকপা মতমনি। লৈজবা শেৎ-চারদুনা মচাবু পল্লগা লাক্লিবা মীয়াম্বু তরাম্না ওক্লবা লাক্লরি। গাড়ীগা-গাড়ীগা থোঙ্গান্দা খূদোলপোৎ কয়া-কয়া পুরদুনা মীয়ামদুনা পীরৈ। হরাউ-তয়াম্বনা মফমদু পুমলাং লাংলমই। রামগোপাল মতৈ-মনাওদু লাক্লিবা মরুপ মপাংশিংদু ওক্লবা হোৎনবদা হুমাং-তৈথোকপা ফাওবা হেক কাউই। অদুক চিল্লবা তাল্লক'দুদা মীনাই হেতুদু কোন্থোংলোমদগী চঙলক্লগা রামগোপাল মতৈ-মনাওগী মাঙদা হেক লেপ্লে।

'ঐ য়ূমদা হন্দবা য়াদ্রে ঙসিমক, য়ারগদি ছুটি পীবীবা য়াগদরা?' মপুদা তপ্পা হংঙ্গৎচৈ।

রামগোপালনা হেতুদা শংত্রিক য়েংলগা-'করিগী ছুটিনো হৌজিকপো! মতাং চাদে, তুমিন্না লৈয়ু। নথৌদুম তৌরুচো।'

হেতুনা মখা তারকই– 'য়ূমদগী ঐবু কৌরক্লে। য়ারগদি ঐবু...।'

'নঙ ছুটি য়াম্না পাম্বরা হা... হায়দুনা রামগোপালনা হেতুদা হোৎচিল্লগা মখজাইদুদা খূবাক্লা থাজিনখি। ফীভমদুদা তিল্লিবা মীয়ামদু কুম্মৈ ওইদুনা য়েংনখি। রামগোপাল মতৈ-মনাওদু শাওবনা মৈ হৌখি। তিল্লিবা মীয়ামদুনা মখোয়বু শাওদনবা পুক্লিং ফাথবীখি।

নুমিৎতুদগী য়ূমদুদা হেতুদু মশক উখিদ্রে। মতৈ-মনাওদু নোংম-নোংমগী হূই-হৌদোং চিক্লবদৌনা ঙৈহাক লৈতনা চিক্লবা হৌরকখি।

থা'মা হৌখ্রে। হেতুগী মৱা-মপাউ করিমত্তা তাখিদ্রে। য়ূমদুদা অতোপ্পা মীনাই অনৌবা 'মা অমুক লাকখ্রে। য়ূমদুদা পোৎ অমা মাঙখিবসু, লৈরমদবগীসু হেতুবু হেক্তা পন্দুনা ঙাংখি।

নোংমা নুমিদাংৱাইরম'মা। রামগোপালদু ৱানা ওফিসতগী লন্বীদা হল্লক্লমই। মানা মীথুংশঙ 'মগী মমাঙদা ইমোৎ-মোৎলদুনা মমাঙঙৈ মখোয়গী য়ূমদা লৈরম্বা মীনাই হেতুদু লেপ্তুনা লৈরম্বা থেংনরে। হেতুগী মশক্তু রামগোপালনা চপ চানা খঙলমই।

'নহানমখৈ নঙ কদায়দা লৈরুই? নয়ূমদগী করমকান্দা লাক্লিবা?'

ঙসিখক্তা হল্লকপনি সাহেব, হেতুনা পাউখুম পীরমই।

'নচিন অদুক থিরিবা করিগীনো?' রামগোপালনা খোন কল্লপ্পা হায়খি।

মমিৎতা মপি ঈরা চেল্লদুনা হেতুদু খোঞ্জেল নিক্লা হায়রকখি– 'ঐগী ইচাদু নুমিৎতুদা অদুম লৈখিদ্রে।'

হেতুগী ৱাদু তাবদা রামগোপাল নুংঙাইতবা'মা ফাওখি। পুক্লিংদা নিংঙমদনা শোনখি, কয়াদা হৌন-খঙদবা হায়বদুনি ঐহাকসে...।

শৈরেং

## ইতিহাসকী খারবা মনম

সৌগাইজম ব্রজেশ্বর

মীরজাফর ইমাগী নীংতম্বা য়োন্দুনা
নঙনা করি ফংখি?
পাউখুম পীয়ু? ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনমদা
ইতিহাসকী ঈরক্তা নঙনা নশাগী নঙকশমদা
থৌরী হুকখিবা নঙগী ইতিহাসনা সাক্ষীনি
নঙগী করম্বা নখূৎকী তমথীরবা লিনগী জগোয়না
নঙগী নখূৎতা অমোৎপা পকখিবদো
ঙসিদি অমুক হন্না পুথোল্লগনু
ইন্দ্রমচা নুপা নুপী পূম্বা মালেম নোংলক্তগী
পোকখিবা চণ্ডী
ঙসিদি ঐখোয়গী পোক্লফম লমদমগী
লাইফম খূদিংদা খুল্লক খূদিং খূদিংদা
অদুনা মীরজাফরগী মোংফম
নোংম-নোংমগী চাউরক্লে।
●

*(শৈরেং অসি "মপান মণিপুরগী মণিপুরী শৈরেং" লাইরিক্তগী লৌথোকপনি)*

## ইমা

রা: কু: ভুবনস্না

ইমা!
শঙ্গোম্মক নৎত্রসু
হূবু ওইরসু
থকচগেনে পেন্না
ঐনা হান্না
নঙগীদমক,
নঙগী শরুক্তু
পেন্না ইমা।
অদুবু
লৈরমদরে সিসু
ইমা!
নঙগী মোংফমগী শরুক্তুদা
মহুৎশিন্না নঙগীদমক
হিপচগেনে ঐনা হান্না
নঙগীদমক
লৈতানা
অদুবু ইমা!
লৈরমদরেনে
'সি ফাওবা!
●

*(শৈরেং অসি কবিগী ২০১৪ দিসেম্বরদা ফোঙখিবা "কেল্লবা ঊনাশিং" মিংথোনবা লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি)*

## অশিবা হকচাংগী মঙ

কুঞ্জো নাওরেম

অশিবা হকচাং অমা
লোংখ্রাক লোংনা হিপ্লি
কাহৎলবা মমায়না অতিয়ারোমদা ওল্লদুনা
ঈ কারবা মমিৎনা থৱান্মীচাকপু য়েংলি,
অশিবা হকচাং অমা
হিপ্লি অশি ফমুংদা।
করি মঙবু মঙলিবা?
অশিবা হকচাংগী খূৎশাশিংনা
খূৎপায় চেৎনা পায়রি
আশাগী খুদোপ য়াইওইবী অমা
কনাদবু শিন্নরসিগে খুদোপ য়াইওইবীসে?
অশিবা হকচাং অমা
চোকথরবা, মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদ্রবা
অশিবা হকচাং অমা
তূপ্লি অশি ফমুংদা।
মঙ মঙলি অশিবা হকচাংনা,
মীওইবনা মীওইবগী হকচাং
মচেৎ-মচেৎ শেৎতুনা চারি,
মীওইবনা মীওইবগী ঈ
খৌবুম থন্না-থন্না থক্লি।
●

*(শৈরেং অসি অইবগী 'ঐগী ৱর্ডলেণ্ড' লাইরিক্তগী লৌথোকপনি)*

## অথেঙবা চিঠি

নবকুমার ওইনা

মরুপ!
ঐ য়ূম পাল্লে
ময়াম্না খ্বাইদগী তুক্কচরবীদুগা
য়ূমদা লৈমিন্নরে।
●

## নোংথাঙগী জগোয়

লেনিন খুমনচা

ঙসিগী
নোংপুবা অমুবা লৈচিল মপৈ
কয়াদা পুকচেল চাউবগী মতৌ ওইরিবা!
খৌরাংনা ঙাইজবশিংগী
অৱাবা অদু উবিরে।
নোংথাঙ কূপখ্রে
অখাক অরাওগা লোয়ননা
চুথরক্লগনি নোং শোয়দনা।
কদায় নোং
কদায় অমুবা লৈচিল মপৈশিং?
অতিয়াসে
ইহাঙ হাঙখ্রে
তরু-তরুনা।
থা থৱান্মীচাক থোরক্লে
নুমিদাং মতম ওইরদুনা
লৈবাক মপুগী মতৌগুল্লদনা
মহাক্কী জগোয়সু লোইশিনখ্রে
থম্মোয়তমক থুগাইরল্লগা খৌরাংবশিংগী।
●

## বিচারদি লোইরে, চৈরাক্তি?

সোরাম ইবোহল

চঙজরি ইখোঙনা থোংনা
অনকপা পুলিস ষ্টেসন্দা
মীয়াম্না ফুবদগী শিদৌ শরুক
ফত্ত লৌশিং উৎতুনা
মীনদি খঙলোই ঐগীতনি
অপাম্বা অদুতনি খনখিবা
অমম্বা ৱাখলনি তুংগীদি
থিংবা ঙমদবা ঈপোম্নি
ফত্তবা ঈপাক্কী মঙলানগীদা
নুপীশিংগী ইজৎ তেমশীঙনবা
ইজৎ লৌরগা হাৎতোকপা
মরাল পীশিল্লগা হাৎপা
অতোপ্পগা নুংশিনদনবা শিনবা
রেন্সমগীদমক মী ফাবা
লৈবাক খুন্নাইগী মায়োক্তা
লোন্না ফোঙনা তৌবা
দ্রগ, অথিংবা পোৎলমশিং
উৎথোক্তুনা ইশাগী শারমচৎ
হৈশিংখিবনি ফত্তবা থৌরাংদা,
অদুবু, থুরবদা লাংদা
করি অমুক ৱাৎলি
কয়াম কুইনা চঙখিনি
য়াজরবদা ইশাগী ইরাল
বিচারদি লোইরে, চৈরাক্তি?
●

## ইমা

জিতেন ওইনাম্বা

নঙগী থৌজাল নুমিৎ লাক্লে
নুংশিদং হায়রগা তোল্লগদ্রা?
লাইরবা নচা ওইরুবনা
করিনো নঙগীদমক তৌজগদবা?
করিনা পেনবীনি
লোন্থোক্তবী ইমা!
নঙবু নুংশিবসে
থম্মোয়না পুবা ঙমদিয়ে
নঙবু ইমা ওইনা ফংজখিবা
নচাসে কয়াদা লাইবক ফরিবা
লাইরবা নচা করিসু তৌবা ঙল্লোই খনবগী
য়াহৌ ঙন্না লাইরমলেন পাংখ্রব্রা?
ঐদি চাউবা শরেপ ফারে
পেন্থোল্লগে ইমা
অদুবু ইচিলসিদি
নঙগী খোল্লাং ঙাইরিয়ে
তাঙ্কক তাঙ্কক
নঙগী মায়কৈতবু য়েংলিয়ে।
মীগী মমাবু ইমানি খন্দুনা
ইমা কৌরুইয়ে
নচাবু ইমাগী মায়থোং য়েংদুনা
করম্না লেল্লু হায়বগে?
করম্না খাঙঙু হায়বগে?
হন্দক্কী মপোকসিদি
নঙগী থৌগল তৌবা ঙমদ্রবসু
মপোক অমদা নঙবু
ইমা ওইনা অমুক ফংজগে
ইমাগী মীৎলু পিরাংতা ওইরসু
তৈথোকচগে।
●

ঈশৈ

## লৈপালনা ৱারৌই লৈরাংবু

লৈপালনা ৱারৌই লৈরাংবু
ফজবা নশক্লা নরালনি
লৈরাংনা পাওথোকই লৈহীবু
লৈনমসু ঈরাং থাংমল্লি ॥০॥

মতমগী য়াওলদা লৈহীনা
লৈরাংগী লৈকাদা পাথরি
লৈনম্না চেনখিবা পাউজেলদা
খোইমুনা ময়াই কাবনি ॥০॥

শোন্নদে কনাসু ৱাখিদে
কঙদুনা মাঙলবী মহাক্কী
কেল্লবা লৈদুনা ৱাকৎলি
মসিবু কনাগী মরালনো ॥০॥

শৈরেংবা ঃ নরেন্দ্র নিঙোম্বা

## থৱানগী মৈরানা অতিয়া মকোয়দা

থৱানগী মৈরানা অতিয়া মকোয়দা
ঙাল্লিবা কনাগী মরমগীদমক্লো
শুম্মৎপা লৈনমদা লৈরাংনা শাৎলিবা
উদবা কনানা পীরকপা ঈঙ্গিৎনো ॥০॥

নুমিৎনা থোক্লিবা নুংশিৎনা শিৎলক্লিবা
উপালদা য়েন্নীং হুল্লক্লিবা
লৈচিলনা পাইরক্লিবা নোংথাংনা কুপ্লক্লিবা
মালেমদা নোংবু তারক্লিবা
মগুণ লৈবা কনাগী ঙক্ল' খূৎশেম্নো ॥০॥

লৈরাংগী লৈয়োম্নুংদা লৈরিক্লা লোৎলন্নিবা
সমুদ্র ঈরোন্নুংদা চীংজাওনা লৈরন্নিবা
ৱারক্কী তয়ালদা মহাওবু হাপ্লমদ্রিবা
অহিংগা নুংথিলগা খেন্ননা থনন্নিবা
খূৎশেম হৈবা কনাগী ঙক্ল' খূদোলনো ॥০॥

শৈরেংবা ঃ বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

## সাহিত্যগী খোঙচৎ

### শাফোঙবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

লাক্লিবা মে ২৪গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা লোক্তাক খোর্জে লূপ, থাঙ্গগী শাফোঙবা থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী পি দি এগী চ্যেরমেন তোংব্রম মঙ্গিবাবু লোক্তাক খোর্জে লূপকী প্রসিদেন্ট নিংথেম নিংথেমজাওনা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা রিটায়র্দ এদিস্নেল এস পি লাইশ্রম বিরবাবু, শক্লাইরবী মণিপুরী ফিল্মগী এক্ট্রেস অমসুং অইবী আর কে হেমাবতি, শক্লাইরবা এক্টর, প্রদ্যুসর অমসুং দিরেক্টর দিয়া খ্বাইরাকপম, এসোসিএট প্রোফেসর ডা. শরতচন্দ্র লোঙজোম্বা, থাঙ্গ পার্ট-২গী প্রধান খ্বাইরাকপম ওংবী বিনারানিনা অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইগনি। থৌরম অদুদা জাতিশ্বর তোংব্রমগী ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক কেন্দুনা লৈরল্লদি থম্মোয় অমা হায়না কৌবা লাইরিক অসিসু ফোঙগনি। লোয়ননা লাইরিক অসিগী মতাংদা শক্লাইরবা নৈনরোয় সলাম তোম্বানা নৈনগনি।